## গায়ত্রি ফোঙগনি

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা নিংথৌজম খোলোনা ইবা ৱারংগী লাইরিক *গায়ত্রি* হায়না মীংথোংবা অসি ফোঙবগী থৌরাং খুয়াথোংগ পোলেম লৈকায়দা লৈবা শ্রী বিশ্বনাথ মান্দপ অইবগী য়ুমদা থা অসিগী ৬তা ফোঙগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা প্রোফেসর হিজম তোম্বি ভাইস চেয়মেন জে এন মণিপুর দান্স একেদেমিনা চিফ গেষ্ট, প্রোফেসর হুইরেম বিহারি প্রসিদেন্ট কলচরেল ফোরম মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং নোংমাইথেম কিরনকুমার কনভেনর মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লিনা গেষ্ট ওফ অনর ওইনা শরুক য়াগনি। সিজগুরুময়ুম গৌরমনিনা লাইরিক অসিগী মরমদা ৱা ঙাংগনি হায়না কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেন্দ্রা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মাপন তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুরনা লৌবা ঐচ এস এল সী ঈ ২০১৯গী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিংদগী মহৈরোয় ৯ তান্থোকখ্রেহায়না বোসেমগী সেক্রেটরি ডা. চিথুং মেরি থোমাসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। সক্সেস স্কুল চীংঙারেলগী সেন্টরদগী মহৈরোয় ৩, ইস্লামিক বেবি ইংলিস স্কুল লিলোং সেন্টরদগী মহৈরোয় অমা, দোনবোস্কো হায়স্কুল খৌপুম সেন্টরদগী মহৈরোয় ২, ইস্লামিক বেবি ইংলিস স্কুল লিলোং সেন্টরদগী মহৈরোয় ১, এলিট হায়র সেকেন্দরি স্কুল কাংপোকপীদগী কেন্দিদেট ১ অমসুং আইদিএল হায় স্কুল পলেলদগী কেন্দিদেট ১ তান্থোকখ্রে হায়রি। মখোয়গী মনুংদা মহুৎ শিল্লগা থারম্বা কেন্দিদেট ৫ য়াওরি। ষ্টেট অসিগী এগজামিনেসন সিষ্টেমদা অফবা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনরিবা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমকপু বোর্দনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী দান্সতা পি ঐচ দি এদমিসন তৌনবগী এন্ট্রান্স টেষ্ট মার্চ ৮গী অয়ূক পুং ১০ তাবদা দিপার্টমেন্ট অসিদা পাঙথোক্লগনি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এম য়ুগী হেদ প্রোফেসর যশোবন্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এৱ্যেরনেস দ্রাইব

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
আইজি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফল্সকী থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা কামদোং দিষ্ট্রিক্তকী লুংথোরাম ভিলেজদা ঐচ আই ভি/এইদসকী এৱ্যেরনেস দ্রাইভ অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। অপ্পর খোরিপোক কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস দ্রাইভ অদু মফম অদুগী মীয়ামদা ঐচ আই ভি/এইদসকী মরমদা ৱাখল তাহন্দুনা খঙহন্নবগী পান দমদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

## আয়ুসমান ভারতনা লুপা লাক্ষ ৫ ফাওবা

## ফ্রীদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরি : সোনিয়া




ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরো, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা আয়ুসমান ভারতকী নোংমগী ওইবা স্পেসল আউটরিচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অজিৎ ৱাংখেমচা প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ন্যুজ পেপরস সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর্স এসোসিএসন অমসুং ওল মণিপুর ন্যুজ পেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর্স এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইখুরাম সুরজিৎনা প্রসিদিয়মগী মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। সোনিয়া খুরাইজম ওপরেসন মেনেজর আয়ুসমান ভারত ষ্টেট হেলথ সার্ভিসেস ইম্ফালনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱাহং পাউহং তৌনবগী শরুক অমা ওইনা হোকরশিং অসি সোসিও ইকনমিক কাষ্ট সেনসসতা চলহন্দুনা আয়ুসমান ভারতকী মখাদা সেকেন্দরি অমসুং তরসরি থাক্কী হোস্পিটেলশিংদা লায়েংবদা লুপা লাক্ষ ৫ ফাওবগী শেলগী তেংবাঙ ইমুং অদুদা ফংহন্নবা হোংনগনি হায়না ফোঙদোকখি। ষ্টেট হেলথ স্কিম ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙদসু হোকরশিং অসি স্পেসল কেটেগোরিদগী চলহন্দুনা মসিগী কাবরা ফংহনবসু খন্ন-নৈনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর থোকচোম এন্থোনিনা হায়খি, মীওই অমনা অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা ইমুং অমদা লুপা লাক্ষ ৫গী মতেং পীবা আয়ুসমান ভারত অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবনি। চহী ১০/১০ খুদিংগী অহোংবা নাইবা অমসু ওইরিবনি।

কুমজা ২০২১দা সোসিও ইকনমিক কাষ্ট সেন্সস অমুক হন্না পাঙথোক্কনি। মদুদা অশোয়বা অদু চুমথোক্লবগী খুদোংচাবা লৌননবগীদমক্তা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লোয়নননা স্পোট ক্যুইজ অমসু পাঙথোকখি হায়না ফিল্ড আউটরিচ ব্যুরো গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ইম্ফালগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর থোকচোম এন্থোনিনা থোকপা চেরোল অমনসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## 'ইন্টরনেসনল কনফরেন্সতা রিকমেন্দেসন কয়া লৌখ্রে'

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
ওল মণিপুর মুসলিমস (মৈতৈ পাঙল) ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম পি দব্লিয়ু এ) না শীন্দুনা মণিপুরী মুসলিম (পাঙলস) : পাষ্ট, প্রজেক্ট এন্দ ফ্যুচর হায়বা হীরম অসিদা থা অসিগী ২ অমসুং ৩দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অদুদা রেকমেন্দেসন কয়া লৌখ্রে হায়রি।

এ এম পি দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট এ আর খাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কনফরেন্স অদুদা রিকমেন্দেসন লৌখিবশিং অদুদি মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশ ম্যান্মার অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা খুন্দারিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী নেটৱার্কিং প্লেট ফোর্ম অমা শেমদুনা অমত্তা ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনরি।

মৈতৈ পাঙলসু মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা অমা ওইবনা য়েলহৌমীশিংগী চাওখৎনবা অমসুং ঙাকচনবগী ঈহৌদা শরুক য়াবা। নিংথৌ খাগেম্বা মতমগী মমাঙদগী হৌদুনা মণিপুরদা মুসলিম খরা খুন্দাই হায়বসি পূম্নমক্লা য়ানরবা ৱাফমনি। অদুগা লোয়নননা মণিপুরদা মুসলিমশিংনা লাকখিবগী মরী লৈনবা অদুগুম্বা নুমিৎ নৎত্রগা তারিখ অদু খঙদোক্লুবা ৱাফমসু রিকমেন্দ তৌখি।

হীরম অসিদা মহম্মদ সনিনা মীয়াম্বু নীংশিংহন্নবগী থৌদাং লৌহনবা, পাঙলশিংগী আইদেন্টিটি ঙাক্তুনা থম্বা অমদি মালেম অসিদা হৌজিক লৈরিবা কম্ম্যুনিতি খুদিংমক্লা নাট, চৎনবী, ফিজেৎ, চৎনলোন্নচিংবা সারিয়া লোগী মখাদা অমত্তা ওইনা ঙাক শেনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

মণিপুরী লোনবু পাঙলশিংগী মরক্তা মমা লোন ওইনা শীজিন্নবা অমসুং হেন্না মপূং ফানা শীজিন্নহন্দুনা ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবা, হীরম অসিদা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টনা শৌগৎপীবসু তঙাইফদে হায়রি।

মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা মৈতৈ পাঙলশিংগী ফরুপসু শরুক য়াবগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা অমসুং বাংলাদেশন-চিংবদা লৈরিবা পাঙলশিংগী মতিক ময়াই হেনগৎনবগীদমক্তা নুপীমচাশিংবু এদ্যুকেসন পীবা অমদি এদ্যুকেসনগী লম্দা ৱাখল তাহনবা, হীরম অসিদা এন জি ওশিং অমদি কম্ম্যুনিতি লীদরশিংনা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকা তানদুনা তৌফম থোকপা থবকশিং অদু পায়খৎহনবা অসিনচিংবা য়াওরি হায়রি।

## 'টেক্স বুক ফংদবগী খোঙজং মতম খরা কোমথোক্লে'

ইম্ফাল, মার্চ ০৪(ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন্দগী হৌরগা হায় স্কুলগী থাক ফাওবা তমগদবা লাইরিকশিং বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা মহৈরোয়শিংদা ফংহনবা ঙমদ্রবদি বোসেম, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন দিরেক্টরেটকী লোইশঙশিংদা য়েরুম অপূম্বা অমদি খামেন অশিনবা অপূম্বা থোম্বগী খোঙজং চত্থগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি হায়রি।

এমসুগী সেক্রেটরি ইনর্ফোমেনস এন্দ পব্লিসিটি রোসন গোলমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা মার্চ ২দা বোসেমগী সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবা ডা. চিথুং মেরি থোমাসনা আপিল তৌবা অইবা চেরোল অমা এমসুদা থারকপগা লোয়নননা ক্লাস খুদিংমক্কী টেক্স বুক লোইনমক লাইরিক য়োনফমশিংদা ফংহল্লে অমদি অৱাৎপা কোপিশিং মার্চ ১০দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লোইনা ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী এমসুগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা মতম খরগী ওইনা খোঙজং কোমথোক্লেহায়রি।

এমসুনা চেকশিন ৱা অসি থমখ্রবা মতুং মহৈরোয়শিংগী লাইরিক মখৈদি বুক ষ্টোরদা থাদোরকপা থেংনরে। অদুবু মসিনা অৱাৎ অপা লৈতনা মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা মপূং ফানা ফংহনবদি ঙমদ্রি। মরম অসিনা বোসেমনা থাজবা পীরক্লিবা মতম অসি ফাওবদি এমসুনা য়েংখিগনি। করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি এমসুনা মমাঙদা থমখিবা ৱাফম অদু থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসনগী ক্লাস ৱান্দগী আইট ফাওবগী টেক্সবুকশিং এন সী ঈ আর টিদগী সেলেবসশিং অমসুং করিক্যুলম কন্টেন্টশিং মপূং ফানা কোপি তৌবদা নত্তনা তঙাইফদনা য়াওহনফম থোকপা রিজনেল কন্টেক্স অমসুং লোকল ইথোসশিং বোসেমনা পুথোরক্লিবা হন্দক চহীগী টেক্স বুকশিংদা য়াওদবা অসিনা তুংলমচৎকী মীরোলগী খুন্নাইদা করি ফীভমদা লাক্কনি হায়বদু নৈনহৌবা চুম্মী হায়রি।

টেক্স বুকশিং মতম চানা পুথোকপা ঙমদবা অসিমক কন্ট্রেক্টচুএল ৱার্কশিংদা এস সী ঈ আর টি অমদি বোসেমনা হেন্না থৱায় য়াওবদগী ওইরকপনি হায়না এমসুনা লৌই হায়রি।

## লোকল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া য়াইস্কুল লোকল কাউন্সিলগী কনফরেন্স ঙরাং অয়ূক পুং ৯ তাবদা ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা টি ঐচ জুগেশ্বরগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অদুদা য়াইস্কুল লোকল কাউন্সিল সী পি আইগী কুমজা ২০১৯গী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি। লোয়নননা কে ঐচ ইবোপিশক্লা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

থৌরম অদুদা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সিটি দিষ্ট্রিক্তকী সেক্রেটরি এস য়াইমা, সেনিয়র এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট অমসুং ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর এ সী শর্ম্মনচিংবা লুচিংবা কয়ানসু শরুক য়াখি। কনফরেন্স অদুদা মালেমগী হৌজিক ওইরিবা অমদি ইন্দিয়াগী লোয়নননা মণিপুরগী পোলিটিকেলগী ফীভমশিং খন্ন-নৈনখিবগা লোয়নননা ৱারেপ কয়াসু লৌখি।

ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭শুবা লোক সভাগী ইলেক্সন অসিগীদমক্তা ইলেক্সন কম্মিটি অমা শেম্বগা লোয়নননা মীওই ১৩না শাবা লোকল কাউন্সিল অমা শেমদুনা ৱাই নোগেনবু লোকল সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙলকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
থৌবাল কিয়াম সিফাই অমুরৈজম লৈকায়দা লৈবা অকোয়জম মঙলেম এলাইজ ইবুংঙো অমদি অকোয়জম চিত্রেশ্বরিগী মচানুপী অকোয়জম বেবিতা আনন্দি অমদি মালোম টুলিয়াইমা অৱাং লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবী লাইশ্রম ইনাওবীগী মচানুপা লাইশ্রম নিসিকান্তগী মপাম চাক্লৌবা নুমিৎতা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙলমখ্রে হায়রি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কৈবি সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা থা অসিগী ১দা লাকপীদুনা অঙাংশিংগীদমক্তা চেঙ বেগ ২, আলু বেগ ১, অচাথাও লিটর ৫, হৱাই অমদি ষ্টেস্নরি আইটেম লোয়নননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং শেল ওইনা লুপা ২১০০সু তেংবাঙবীরম্মী। নুমিৎ অসিদা লোয়নরকখিবা কৈশাম কুমুদিনি কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ৫০০সু তেংবাঙবীরম্মী হায়রি।

থা অসিগী ২দা পাঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দগী হুইদ্রোম অজিৎ অমদি হুইদ্রোম ওংবী বেবিতাগী মচানুপা হুইদ্রোম থোইবগী ২১রকশুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা ষ্টেস্নরি আইটেমশিং, চানবা পোৎলমশিং তেংবাঙবিরম্মী। লোয়নননা মখোয়গা লোয়নরকখিবা খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়দগী লাইশ্রম রোবিচন্দ্র মীতৈনা লুপা ৫০০, পাঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দগী মোহেন নাওরেম্ন সু লুপা ৫০০ তেংবাঙবীরম্মী। নুমিৎ অসিমক্তদা খংলাবুং লৈরক্তগী খুমুকচম ইবোহলনা মহাক্কী অপোকপা অমদি অপোকপী খুমুকচম নোদিয়াচান্দ অমসুং সনায়াইমগী ৪৫রকশুবা কুমওনগা মরী লৈননা হোম অসিদা লাকপীদুনা অঙাংশিংগীদমক্তা চেঙ বেগ ৫, আলু বেগ ১, তিলহৌ কেজি ১০, হৱাই কেজি ২০, ঙা অকংবা, শাপোন, ষ্টেস্নরি আইটেমশিং অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙবীরম্মী। নুমিৎ অসিদা ঘড়ী অৱাংদা লৈবা ৱিদো এন্দ ওর্ফান রিছোর্স দিভলপমেন্ট ত্রষ্টকী লুচিংবশিংনা হোম অসিদা লাকপীদুনা অঙাংশিংগীদমক্তা চেঙ বেগ ৩, আলু বেগ ১ অমসুং চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙবীরম্মী।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৬তা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবী সাইরেম কমলানা অঙাংশিংগীদমক্তা ঈশিং হাপ্পবা লিটর ৫০০গী প্লাষ্টিক ৱাটর টেঙ্ক অমসু অঙাংশিংগীদমক্তা তেংবাঙবীরম্মী হায়না ফোঙদোরক্লি।

## 'রিটয়র্দ তৌদুনা থবক্তগী পোথাখ্রবা এঞ্জিনিয়রগী সার্ভিস শাংদোকপীগনু'

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা থবক তৌবগী মতম লোইদুনা থবক্তগী পোথারবা মীওইশিংগী সার্ভিস মতম শাংদোকহল্লোই হায়না লাউথোকখিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী রিটয়ার্দ তৌরবা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অমগী থবক মতম শাংদোকহন্দুনা মখা তানা তৌহন্নবা হোৎনরিবা অসি ওল মণিপুর কম্মান্দ এরিয়া দিভলপমেন্ট এমপ্লোয়ীজ এসোসিএসন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর কম্মান্দ এরিয়া দিভলপমেন্ট এমপ্লোয়ীজ এসোসিএসনগী টি ঐচ কুঞ্জেনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র ওইনা থবক তৌরম্বা মীওই অমা মহাক্কী সার্ভিস মতম চহী অসিগী হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮দা লোইরে হায়দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৬তা রিটয়ার্দমেন্ট ওর্দর থোকখ্রবনি অদুগা থবক্তগী পোথাখ্রবা এঞ্জিনিয়র অসিনা পায়রম্বা পোষ্ট অসি কম্মান্দ এরিয়া দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র ওইবা মীওই অমনা পুনবা ওর্দর অমসু গভর্ণমেন্ট অসিনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৩দা থোকখ্রে হায়রি।

কম্মান্দ এরিয়া দিভলপমেন্টনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট এঞ্জিনিয়রিং কেদর হেদ অদু থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌদুনা রিটয়ার্দমেন্ট ওর্দর থোকখ্রবা মীওই অমগী সার্ভিস শাংদোক্লবা ষ্টেট কেবিনেটনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৭তা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বদু এসোসিএসন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র (এগ্রী) সী এস সী পোষ্ট পায়ননবা ওর্দর থোকখ্রবা মীওই অমবু মহাক্কী দিপার্টমেন্টতা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর মতুং ইন্না জোইন্ট তৌনবা চৎলুবদা চার্জ পীয়ু য়াদবদগী সেল্ফ চার্জ লৌরবসু এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়রগী ওফিস রুম ছো লোন্দুনা থমখি হায়নসু ফোঙদোরকপা লৈখ্রে হায়রি।

দিপার্টমেন্ট অসিদা পরমগী ৱাংমদা কাং-খোং চাইনবা শিনবনি হায়না এসোসিএসন অসিনা লৌদবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসন অসিগী ৱাকৎ অসি গভর্ণমেন্টনা তাবীদ্রবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি হায়রি।

## ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্তুনা কুমজা ২০১৯-২২গী নৌনা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি খনখ্রবা মতুং ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদা কোনুং মমাঙগী পুরৈরোম্বা খোংনাংমখোংদা লৈবা কাদাগী হেদ ওফিসতা এদভোকেট চোংথাম নরেন্দ্রনা চীফ গেষ্ট অমসুং হিজম প্রিয়োকুমার প্রসিদেন্ট কাদানা থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা নৌনা খল্লবা থৌ পুবশিং ৱাশক লৌবগী অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা এদভোকেট ডা. চোংথাম নরেন্দ্রনা ওথ কম্মিস্নর ওইদুনা কাদাগী মীওই ১১না শাবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অদু ৱাশক লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা কাদাগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, ব্রাঞ্চ, য়ুনিট অমসুং জেনরেল বোদি মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এদভোকেট ডা. চোংথাম নরেন্দ্রনা হায়খি, তুংগী মীরোলগী খল্লগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংহৌদ্রবদি তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিংনা থীনা ঙাঙনহৌগনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লমদম অসিদা য়ু শুংদুনা মপান্দা থাদোক্তুনা ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু হেনগৎহনগনি হায়না তৌরিবা থৌরাং অসি মীওই খরগী কান্নবা থৌরাং অমনি।

মণিপুরদা য়ু শুংলগা মণপুরদা য়ু ফংহল্লোই হায়বা ৱাফম অসি থাজনীংঙাই ওইদবা ৱাফম অমনি। মরমদি দিফেন্স পার্সন্স ওনলি হায়না থাবা পোৎলমশিং লমদম অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী কেন্টিন্দগী ফংলিবা য়ুঙাংশিং লন্নাই মীওইশিংদা য়োন্দুনা লমদম অসিগী মফম খুদিংদা মরাং কায়না ফংলিবা অসিনা খুদম অমনি হায়নসু কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলগী অথোই অহেন তান্নবদা

## *সনা য়াওরেন চন* অমসুং *জলে'ম - গম* উৎখ্রে





**নোমিতা খোংবান্তাবম**
ইম্ফাল, মার্চ০২ ঐচএনএস) :
ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীনবা ৪৭শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল ২০১৮-১৯দা ঙসি য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিএসনগী লীলা *সনা য়াওরেন চন* অমসুং মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পার্ফোমিং সেন্টর ৱাঙ্খেগী *জলে'ম-গম* উৎখ্রে।

য়াঙম লৈরক নুপী লীলা এসোসিএসনগী লীলা *সনা য়াওরেন চন* হায়না মীংথোনবা অসি নবদিপ নিংথৌজমনা ইরগা মাইবম পুর্নিমাসিনা তম্বী তাকপীবনি। লীলা অসিগী মপূং ওইবা ৱারীদি লিক্লংনু শাফবীবু খুন্থৌবগী মচাদা থাজবা হায়না য়ানখি। অদুবু লিক্লংনুদা নোংদা লাইরেন পাখংবগা খারি লৌবুক্তা উনদুনা তাওজিং হৈরু তমখ্রে। মতম অদুদা ইকায়বনা মরম ওইদুনা কুন্দাং খূৎকোয়বনা মচানুপী লিক্লংনু শাফবীবু তান্থোরকখি। চীংঙু পাখংবনা শায়ওন তৌদুনা লাকখি অমদি চীংঙুগী থৌজালদগী লিক্লংনু মপারি অমা ফংজরে। চীংঙুনা চৈশু য়াইওইবা অমা পীবিদুনা মপাম মোইরাং লমদমদা অমুক হল্লক্লে। মতম অদুদা পন্থৌ খূৎকোয়বদি লাইরমলেন্দা চৎলম্লে অমসুং সৈদাংফম লৈতবদগী খুয়োন খুন্থৌবদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখি।

নোংমা খুন্থৌবনা মমা মচাগী চৈশু য়াইওইবা পায়দুনা মোইরাং কংলা কাবদা শন্থোংদা থন্নমখি। নিংথৌগী মপারিনা খঙদদুনা চৈশু কাওরুবদগী পুন্সি পিখম্নখি। চৈশুগী ৱাহৌদগী লিক্লংনু মমা মচাবু ফাননবা থিরকখি। মপারিবু খুমন য়াঙ্গোই তাবীদা শিন্নরম্লগা মমা কৈশুমশঙদা লৈখি। মতম অদুদা অৱা লৈবাক্তা তুরৈ চন্দুনা নিংথৌ পানখিদে অমসুং পুঙ্গ্রি লাইনীংবগী য়াথং মতুং ইন্না য়াইশা থাদোক্তুনা নিংথৌ ওইবীনবা মী থিরকপদা খুমন পুংদগী সনা য়াওরেন চনবু শামু য়াইস্নাগী তাইবোৎথক্তা হাপ্তুনা পুরকখি।

অৱাশিংনা নিংথৌ হাপখি। পাও অসি তাবদগী খুমনগী য়োকচবী মমা য়াঙ্গোইতাবী অমদি মশানৌ চেংলৈঙম্বী অনীমক অৱাবী শেম্বী পুংদা লাক্তুনা অপোকপী লিক্লংনুসু কৈশুমশঙদগী থাদোরক্তুনা খুন্থৌবগা পূন্না অৱা লৈবাক্তা থুংলখি।

য়াঙ্গোইতাবী অমসুং লিক্লংনু অনীনা নিংথৌ পোকপী মমানি হায়না চোংথোক্তুনা মুক্নরক্লে। চীংঙু লাইগী মতিক ময়াই চেল্লবা মচা নিংথৌ সনা য়াওরেন চননা অপোকপী অমসুং অয়োকপী মমা অনীমক মীরাইফদে। পলেম অনীমক্কী খোমলাং কাওফদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মমা অনীবু লৌশিনখিবগী ৱারীনি। অদুবু অশেংবা পলেম অপোকপীগী মশকতি লোৎপা য়াদবনা তুংদা খঙলকখিবগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবনি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি নোংদা লাইরেন পাখংবা-সকুন্তলা, খুয়োন খুন্থৌবা-এস বিমোলা, মোইরাং নিংথৌ-এম মেমী, খুদাং খূৎকোয়বা - বি ললিতা, হাওতক সোইশেনবা-টি ঐচ অঙৌবী, লৈশঙ-টি ঐচ অঙৌবী, সনা য়োইরেন চান - রদিয়ানা, কবোগী অঙম্বা - ও অঙৌবী, নিংথৌ মনাইশিং-জিনা অমসুং পাটেশ্বরি, লিক্লংনু শাফবী-ঐচ কবিতা, চেংলৈঙম্বী - ইরেংবম চান্দনি অমসুং য়াঙ্গোইতাবী -এম কলপনানি।

অনীশুবা লীলা ওইনা মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পোর্ফোমিং সেন্টরগী লীলা *জলে'ম-গম* হায়না মীংথোনবা অসিনা অথোকপম তোমচৌনা ইবনি অমদি লৈমপোকপম সরতনা লমজিং লমতাকপনি।

লীলা অসিগী মপূং ওইবা ৱারীদি মালেম অসিদা পোক্লিবা মীওইবা খুদিংমক মীখা পোনবা হায়বসি কনানসু পামদে। নিংখা তম্না হিংবা হায়বসি মীওই খুদিংমক্কী অপাম্বনি। মীখা পোন্না হিংগদবগী শরুক নিংখা তম্না নোংমতং ওইরবসু হিংলম্নগা তাইবঙপান অসি থাদোকখিবনা হেন্না ফৈ হায়নরিবনি।

নীংতম্না হিংজরম্বা কুকিশিংবু বৃটিশনা ফ্রান্সতা লান্দা শীজিন্নবা পোৎলমশিং পুহন্নবা অমসুং মীনাইগুম্না থবক শূহন্নবগীদমক হোৎনরকপদা কুকিগী অথৌবশিংনা বৃটিশ লান্মীশিংগী মায়োক্তা অকনবা লান হৌখি। অদুগুম্বা কুকি রিবিলেন হায়না খঙনবা লালহৌ অদুগী মনুংদা কুকিগী অথৌবা কয়া নুংশিরবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং থাদোক্লম্লগা মথ্বায় থাখি। মপা মমা কায়নরবা, মপুরোইবা অমদি মচিন-মনাও কায়নরবা মীওই কয়ানা তেংথা নাওইদুনা কপ্পখি।

লান অদুদা হিংহৌবশিংনা অদুগুম্বা অৱা অনাগী মীকপ মীরাও মরক অদুদা জলে'ম-গমবু ঙাইহৌবনা পোলোই ওইখিবা লীলানি।

লীলা অসিদা শরুক্ত লাংলিবশিংদি ঙুলখুপ মেমৌ নিংথৌ - ঐচ সরিকা, মচানুপী সেমখোলুন - কে ঐচ সুরবালা, মৈতৈ লম্বু তোম্বা - ঐচ নলিনি, ঙুলবুল লোংয়াগী নিংথৌ - কে প্রতিমা, চেংজাপাও দৌঙেল আইসান খুলগী নিংথৌ - এন বিরোহিনি, জাম্পি খুলগী নিংথৌ সোটিনথাং সিটলৌ- দব্লিয়ু বিদ্যাপতি, সেলে খেপৌ ঙুলবুলগী মচানুপা - ও বিরমালা, রাজ কেরানি নিথুরবাবু - এল মঙজিতা, কেপ্তেন কুটি - এ বোবি, প্রসিদেন্ট হিঙ্গিন -টি ঐচ সৈত্যমালা, কেপ্তেন ব্রাউন - ৱাই শায়া, লান্মী - এন জিবোলতা, ঙুলখুক্কী লোয়নবী - কে ঐচ থোইবীস্না, সোনকোচিন - নন্দিনি, কোলি-এল রিনা অমসুং লৈজালেংটি ঐচ সিলিয়ানি।

থা অসিগী ৫দা ৱিমেন ফোরম কলচরেল সেন্টরগী *হরিচন্দ্র* অমসুং চনুরা কম দ্রামা এসোসিএসন খাগেম্পল্লি ঙানপী থোং মপানগী *হাওরৈ ফোলাংলৈ* উৎকনি।

## দেসাম অমসুং এইমসনা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন সেন্টরশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) : দেসাম অমদি এইমসনা ঙসি ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনগী মেথমেটিক্স থোকপা নুমিৎ অসিদা থৌবাল জোন অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জোন ৱানগী সেন্টর খরা য়েংশিনবগী খোঙচৎ চংখ্রেহায়রি।

দেসাম হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফেয়রস দেবদত্ত শমুরাইলাৎপমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌবালগী সেন্টর খরা নত্তনা সেন্টর অয়াম্বা ঈংনা চিক্লা এগজামিনেসন পাঙথোক্লমখি। অসিগুম্বা সেন্টরশিং অসিদা মথৌ মশক খঙনা দ্যুটি তৌরিবা খুদিংমকপু দেসাম অমসুং এইমসনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

লাইবক থীবদি খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি ললিট মাধব স্কুল খোঙজোমদা ও সী অমদি সেক্যুরিটিনা ইন্সপেক্সন টিম্বু দিটেন্দ তৌদুনা মতম মাঙহনখি। অসিগুম্বা কয়াশিং অসি মরালশিং অদু কুপশিনবা য়ানবা থৌওংনি হায়না লৌই হায়রি।

লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদা চরাংননা এগজামিনেসন পাঙথোক্লমখি। শেমদোক্লবা পাউখুম য়াওরবা চেজেৎ পীদুনা শিল্লম্বদগী ফাগৎখি। সেন্টর অসিগী ও সী অমদি ইনভিজিলেটরশিংনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্তবদগী মমি চাউনা তাখি। হৈরোক হায়স্কুলদা খোংবান চেনবগী মমি চাউনা তাখি। শেমদোক্লবা পাউখুম চেজেৎ জেরোক্স কোপিনচিংবা কয়া লংশিল্লকখি অমদি সেন্টর অসিগী ও সী, ইনভিজিলেটর, চৌকিদার, সেক্যুরিটি পার্সনেল খুদিংমক্লা কন্ট্রোল তৌবগী মহুত্তা মতেং পাংশিন্দুনা য়াম্না চরাংনবা এগজামিনেসন মান্দবা মওংদা লৈরম্বা থেংনরকখি হায়রি।

অমরোমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমগী এ সী অসিমক্তদা অসিগুম্বা এগজামিনেসনগী ইথিক্স অমদি পোলিসিগী মায়োক্তা ক্বালিটি এদ্যুকেসন ফংহন্নবা খোঙজংবু শিংনবগী থৌওং অসিদি তুংদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক অমদি তুংগী মীরোলগীদমক খুন্নাই অসিগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়রি।

দেসাম অমদি এইমসনা পূন্না খূৎশম্নদুনা চঙশিল্লক্লিবা অফবা তিঞ্জং কায়জংদবা মহৈরোয় পুথোক্লবগী খোঙজং অসিদা লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাংবীদুনা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীগদবশিং লাউথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ০৪(ঐচএনএস) :
মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী মখাদা কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা রেজিষ্টর তৌরবা ভলন্টরি কলচরেল ওর্গনাইজেসনশিং/ইন্সটিট্যুসনশিংদা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীগদবশিং লাক্লিবা মার্চ ৫গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা মহারাজ চন্দ্রকৃর্ত্তি ওদিটোরিয়মদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমদি আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্ত য়াওবা থৌরম অমদা লাউথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা টেগোর এৱার্দ ফোর কলচরেল হারমনি ফোর ২০১৪গী এৱার্দ ফংলকখ্রবা গুরু আর কে সিংহজিৎসু তরাম্না ওক্কনি। মরম অসিনা ভলন্টরি কলচরেল ওর্গনাইজেসনশিং/ইন্সটিট্যুসনশিংনা মতম চানা লাক্লগা থৌরম অসি শরুক য়ানবা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এ সিবদাস শর্ম্মনা থোকখিবা নোটিশ অমনা খঙহল্লক্লি।